থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

## লৌমীগী ৱাথোক - করিনো? করম্নো?

নবেম্বর ২৮, ২০২০দগী হৌনা দেল্লিগা যুমলোন্নবা ষ্টেটশিংদগী দেল্লি তম্না চঙশিল্লকপা লম্বীশিংগী বোর্দর-পোইন্টশিংদা, মরু ওইনা তিক্রি, সিংঘু অমদি গাজিপুরদা, সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট'না ওগষ্ট থাদা শেমখিবা, লৌবুক্কী লো (ফার্ম-লো/এক্ট) অহুম অসি চৎনহন্দনবা, রিপিল-তৌনবা দিমান্দ'দা চঙশিল্লকখিবা অকনবা খোঙজং অসিগী মতোল-লোম্বা-তাঙ্কক (ক্লাইমেক্স) অদু হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ (জন্যুৱারী ২৬, ২০২১) 'রিপব্লিক-দে' নুমিত্তা য়ৌরকপগুম তৌখি। ইন্দিয়া' না মদোম-মরোমদোম লৈঙাকচবা লৈবাক (রিপব্লিক) অমা ওইরকপগী ৭২শুবা নীংশিং-থৌরম, নেসন অসিগী ওইনসু খ্বাইদগী চাওথোকচনীংঙাই ওইবা থৌরম অমা ওইনা লৌনরিবা নুমিৎ অসি, ষ্ট্রাইক-খোঙজঙ চঙশিল্লিবা লৌমীশিংনা, লৈবাকসিগী (নীংতম্লবা মতুংগী) পুৱারীদা কাউঙম্লরোইদবা নুমিৎশিংগী মরক্তা অমা ওইহন্নীংখি। মমাঙগী নিংথৌকাবা নুমিৎ, জন্যুৱারী ২৫গী থম্মোয়-পাউদম-কাখলসিমক্তদসু ইজখি - লৌমীশিংনা নুমিৎসিদা রিপব্লিক-দে-পেরেদ'কা চাংদম্নবা য়াবা ত্রেক্টর-রেল্লি চৎকনি ... পুলিস-ফোর্সনা থিংননবা হোৎনরকপদা থোক্লক্কদবা ঈরাং, খৎন-চৈন, ঈমু-নাইমু-লৈবাকসিদা থোক্লিবা ফার্মর-ইনজষ্টিস, মালেমদা শবাক ফাকহনবা ... রেল্লিদুগী পান্দমনি।

ঈংন-তপ্পা-শান্তি-ওইনা চৎকদবা রেল্লিনি... নন ভাইওলেন্ট ওইনা, অহিংশাদা থাজজবা লৌমীশিংগী খোঙচৎনি ... ভাইওলেন্ট ওইবা রেল্লি অমা ওস্থোক্কদৌরিবদি গভর্ণমেন্টকী এজেন্টশিংননি ... লৌমীশিংনা লাউথোকখি। রেল্লি অদু লৈঙাক শক্তি শীজিন্নদুনা থিংলুবা, লৈঙাক-মখোঙ নোল্লক্কনি ... লৌমী লিশীং খরখক্লা হৌবা ঈহৌ অসিবু ইরায় লায়না নমথনি-খল্লুবা মাল্লি মোদিনা। 'লাক্লা-ফানা ঙল্লক্ত্রবা, নোংমৈ কাপ্পুনা লাকশিল্লু' ... য়াথঙদুসু তৌখিদে।

ভাইরেল ওইরবা ভিদিওশিং, পুন্নমক্ক উনরে - রিপব্লিক-দে নুমিত্তা লাল-কিল্লা'দা থোমজিল্লকখিবা লৌমীশিংদু লিশীং কুন-কুন্থ্রখক্তা নত্তে, লাখ অনীগী মথক্লিলম্বীদা খৃৎ থোক্লক্লবদা লীচৈনা তান্না-তান্না ফুখিবদু সিফাইনা লৌমী ফুবা নত্তে, লৌমীনা সিফাই ফুবনি, মথ্বাই হিংনবা চেনখিবদু য়ুনিফোর্ম শেৎপা সিফাইশিংনি। লাল কিল্লাগী ভিদিও অমদা থাঙশাং পায়বা লৌমী অমনা হায়, সিফাইশিংগী টিয়র গ্যাস'না লৌমীশিংবু শাউহনবনি। হৌজিক্তি, নাকল অনীমক্ক অমনা অমদা শীনবা মরাল ইচুমতা চুম্নরক্কদবগী মওং অমা উরক্লে। লান্না শীজিন্নখিবা পোলিটিকল পাৱর অমগী লমন, অতোপ্পা "নন-পোলিটিকল' ওইবা ঈহৌ অমদা 'পোলিটিকল বেক্কিং' তৌশিন্দুনা খুন্নবা হোৎনবা। লৌমীশিংগী অন্দোলন পোলিটিকল বেট্টল ওস্থোকপা।

হৌজিক্তি, রিপব্লিক-দে ২০২১গী দেল্লিদা থোকখিবা ৱাথোক্তা রুল্লিং অমদি ওপোজিসন পার্টি অনীগী সিরিয়স ওইবা পোলিটিকল বেট্টল অমগী অহৌবনি হায়বা নাখৈ শেংলক্লে। শান্তি ওইবা, নন-ভাইওলেন্ট-ত্রেক্টর রেল্লিনি হায়রগা মশীং য়াল্লবা লীচৈ অমদি গুরু গোবিন্দগী থাঙশাং কদায়দগী? 'ভাইওলেন্ট ওইবা শো দাউন' অমগীদমক শেম শারগা লাক্লবনি' - হায়বা গভর্ণমেন্টকী এক্ক্যুজেসন লৌমীনা করম ঙাকথোক্কনি? লৌমীশিংগী লাল-কিল্লা এটেক, অদুঙৈ কর সেবকশিংনা বাব্রি মসজিৎ'তা তৌখিবা এটেক নীংশিংহনখি। দেল্লি পুলিস'না পাঙদবা পুলিসকী শক্লোন লৌদুনা মথ্বাই হিংনবা চেনখিবা, নোংমৈ-মরূ অমা ফাওবা কাপখিদবা - মোদিগী হৈশিংবা পোলিটিকল প্লান্নিং অমরা? ঐদি কন্না হংনীংলক্লি। ত্রেক্টরনা নন্দুনা অন্দোলনকারি অমা শিখিবদু 'পুলিসকী নোংমৈ-মরূনা পান্দুনা লৌমী অমা শিরে' পাউদমখিবা, মমিং লৈরবা টেলিভিজন জর্নেলিষ্ট 'রাজদীপ সরদেসাই', অরানবা পাউ তম্লুবগী থা অমগী তোলোপ ফংহন্দবতা নত্তনা, থা অমা মাগী খোঞ্জেল অমদি শক্তম টেলিভিজন'দা তাবা-উবা ফংলরোই। গান্ধী লৈখিদবা নুমিৎ- মার্টয়র্স দে নুমিত্তা, ত্রেক্টর্স-রেল্লি'না মথৌ শঙলবা লৌমীশিং, পার্লিয়ামেন্ট'তা থোমজিনগনি তৌরম্বা, অনীশুবা ৱাখল (সেকেন্দ থোট) অমা লাক্কুনা থৌরম অদু য়ৈথোকখি। মনা কল্লবা মোদি লৈঙাক অসিসু শেন্নহৌদবা মীকূপ অমনা 'ফার্মর্স-বেট্টল', নেপোলিয়নগী 'ৱাতরলু বেট্টল' অদুগুম্বা তানফম অমা ওইরকপসু য়ারিবনি। লানফম অসি লোইখিরোই, হেন্না কনশিল্লকখিনি। য়েংবা-হৈসি, পূক্লিং তয়াং-তশোইগুমসি।

পাউদম অসি তন্নিঙৈ, মরূ ওইবা ৱাফম অমত্তং নীংশিংজরমগে। ৱাথোক অসি ৱাখৈবদা মতেং ওইনবা, সুপ্রিম-কোর্ট'না মীওই মরিনা শাবা কম্মিটি অমা শেমদুনা য়েংশিনহন্নবা ৱারেপ অমা লৌখিবদু লৌমীশিংনা মৱা লৌখিদে। য়াথং অদু থওইখিদে। করিগীনো, খঙবীবরা? অদোমসু অমুক্তং খন্থবীয়ু, অচুম্বদু খঙমিন্নসি।

অহানবা মেম্বর-ভুপিন্দর সিংহ মান। ভারতিয় কিষান য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট! ঈহৌসি হান্না য়াওরল্লগা কোন্না হন্দোকখি। মহাক্লা হায়, লৌউ-শিংঙী আইন অসিসু মতমগী মতুংইন্না শেমদোকপা মথৌ তাই, লৌমী মশেল মরক্তসু কম্পিটিসন লাক্লবা।

অনীশুবা মেম্বর - অনিল ঘনৱট। মহারাষ্ট্রগী কোলহাপুরদা বেজ তৌবা লৌমীশিংগী লূপ 'সেতকারি সঙ্গথন' হায়বদুগী প্রসিদেন্টনি। মহাক্কী অচেৎপা থাজবনি ... 'লৌমীশিংবু অনৌবা মপোক অমা পোকপীদৌরিবা খুদোংচাবা কয়া পীদৌরিবা আইন অসি রিপিল তৌবা দরকার ওইদে, লৌমীশিংবু ৱাখল তাহনগদবনি'...।

অহুমশুবা মেম্বর - অশোক গুলাতি। মমিং লৈরবা এগ্রিকলচর ইকোনোমিষ্টনি। মহাক্লসু মীদিয়াদা ফোঙদোকখি ... 'অনৌবা আইন অসিনা পীগদৌরিবা শেল-থুমগী চৈথেং হায়ববু অতৈ নত্তে লৌমীশিংনা মশাগী লৌউ-শিংঙী পোৎ পুথোক্লবা খঞ্জবা অমদি পোথোক অদু য়োম্থোকপদা হেন্না মনীং তমজবা, লোয়ননা পোথোক অদু লৈরগা পৈশিন্দুনা থল্লগা মীয়ামদা ৱাৎপা লৈত ফংহন্নবা, লল্লোনবা মীশিংগী মরক্তসু কম্পিটিসন তৌনহনবা অদুনি'...।

মরিশুবা মেম্বর, ইন্টরনেসনল ফুদ পোলিসি রিসর্চ ইন্সটিট্যুকী, সাউথ এসিয়া রিজনগী দাইরেক্টর, প্রমোদ কুমার জোসি'না হায় ... 'নৌনা শেল্লিবা ফার্ম লো অসিদা শেমদোক শাদোক তৌরুবা হায়বসি ইন্দিয়ন এগ্রিকলচরনা মালেমগী থাক্তা ফংগদৌরিবা খুদোংচাবশিংদু সরেন্দর তৌরুবগা পাম্খকনি'...।

খন্থবীয়ু - সুপ্রিম কোর্টকী ৱারেপ্পু কনাগী ইন্টরেষ্ট'তা লৌখিবনো?

লৌশিং পুক্কে


# সাইন্টিষ্টশিংবু অহিং তূম্বা

## য়াহন্দ্রিবা কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ভেরিয়ন্টশিং

হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা সাইন্টিষ্টশিংবু অহিং তুম্বা য়াহন্দবমখৈ লৈতাহন্দ্রিবা কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ভেরিয়ন্টশিংগী মশিং অসি পূন্না ৪নি হায়বা য়াই।

ইংলন্দগী খা-নোংপোক থংবা শরূক্তা ইহান হান্না থেংনখিবা ভেরিয়ন্ট অদু হৌজিকফাওবদা য়ামদ্রবদা লৈবাক ৫০দা শন্দোকপা থেংনরে। হায়রিবা ভেরিন্ট অসিনা হান্নগী ভেরিয়ন্টশিংদগী শন্দোক্কনবগী চাং য়াম্না ৱাংই।

সাউথ অফ্রিকা অমসুং ব্রজিলদা থেংনখিবা ভেরিয়ন্টশিং অদুদি অদুক হাক্লা পাক শন্না শন্দোক্ত্রি। অদুবু মখোয়দা জিনেটিসিষ্টশিংগী পুক্লিং চিংশিনবা ম্যুটেসনশিংগী মশক অমা য়াওরি। মসিগী মথংদনা অনৌবা ভেরিয়ন্ট অমা অমুক কেলিফোর্নিয়াদা থেংনখ্রে হায়রি।



'শেংনা হায়রবদা হন্দক মতম খরা অসি ঐখোয় নীংথিনা তূম্বা ফংদরে' হায়না রেকেফেল্লর য়ুনিভর্সিটিদা মোলিক্যুলর ইম্যুনোলোজিষ্ট অমা ওইরিবা ডা. খৃষ্টিয়ন গেল্লরনা হায়রি। ডা. খৃষ্টিয়ন গেল্লর হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টেমনা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনদা রেন্সপোন্স তৌবগী মরমদা থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্ট অমনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা সাইন্টিষ্টশিংবু তূম্ফম চাফম খঙহন্দ্রিবা কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ভেরিয়ন্টশিং অদুগী মরমদা মখাদা পীরি।

রিসার্চরশিংগী লিষ্টকী মকোক্তা লৈরিবা অসি ব্রিটেনদা ইহান হান্না থেংনখিবা B.1.1.7 হায়না মিংথোনবা ভেরিয়ন্ট অসিনি। কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসিনা পেন্দমিক্কী ফিভম লুশিলহল্লকপা য়াই হায়না য়ু এস সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী) না চেকশিনৱা থমখ্রবনি।

অদুবু সী দি সীগী ওফিস ওফ এদভান্স মোলিক্যুলর দিটেক্সনগী দিরেক্টর গ্রেগোরি আর্মষ্ট্রোংনা ফোঙদোকখিবদদি, অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসিনা হান্নগীদুদগী শাথিবা হেনবা নৎত্রগা তাবা লৈতে। মসিনা হোস্পিটালাইজেসন নৎত্রগা মী শিবগী চাংদা খেন্নবা অমত্তা থোকহন্দে হায়বা ৱাফম থল্লি। ঐখোয়না খঙবগী মতুংইন্নদি অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসিসু হান্নগীদুগা চপ মান্নবা মওংদা শন্দোকই হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মসিনা তাকপদি ঐখোয়না হান্না খঙদুনা লৈরবা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হন্থহন্নবা পান্থৈশিং অসি শীজিন্নদুনা অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসিদগীসু ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়বনি। পান্থৈশিং অদুদি মাস্ক উপ্পা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা, মীয়াম পূনবা মফমদা চঙদবা অমসুং খুৎ তোয়না হাম্বা হায়বা অসিনি।

অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসিদা য়াওরিবা ম্যুটেসন অসিনা মরম ওইরগা ভাইরস অসিনা মীওই অমদা হেন্না লায়না চঙবা ঙমহল্লি।

মথংদনা সাউথ অফ্রিকাদা অহানবা ওইনা থেংনখিবা B.1.351 নৎত্রগা 501Y.V2 হায়না মিংথোনবা ভেরিয়ন্ট অসিনি। ভেরিয়ন্ট অসিদা ম্যুটেসনশিংগী মান্নদবা পেটর্ন অমা য়াওই, মদুনা স্পাইক প্রোটিনগী ষ্ট্রকচর অহোংবা থোকপগী চাং অদু B.1.1.7 দা হোংবা অদুদগী হেলহল্লি। ভেরিয়ন্ট অসিদা য়াওরিবা E484K কৌবা মরুওইবা ম্যুটেসন অমনা ভাইরস অসিগী রিসেপ্টর বাইন্দিং দোমেনদা এফেক্ট তৌই। মসিনা মরম ওইরগা ভাইরস অসিনা ভেক্সিনশিংগী ইফেক্টতগী নান্থোকপদা মতেং পাংবা ঙম্বা য়াই হায়না সাইন্টিষ্ট খরনা পানরি।

সাউথ অফ্রিকাগী ওফিসলশিংনা হায়বগী মতুংইন্না ভেরিয়ন্ট অসি হৌজিক মফম কয়াদা ফংবা কোরোনাভাইরসকী খ্বাইদগী কম্মন ওইবা ভর্জন অমা ওইরে। ভেরিয়ন্ট অসি য়ুমথংনরিবা লৈবাক জাম্বিয়াদসু ফংলে অমদি তোঙান তোঙানবা লৈবাক ২০দসু থেংনখ্রে হায়রি।

P.1 অমসুং P.2 হায়না মিংথোনবা ভেরিয়ন্ট অনী অমসু ব্রজিলদা ইহান হানবা ওইনা থেংনখ্রে। P.1 অসি লৈবাক অসিগী মানোস সিটিদা চথখিবা সর্ভে অমগী স্পেসিমেন চাদা ৪২দা থেংনখ্রে, অমদি জপানিজ ওফিসলশিংনসু ব্রাজিলদগী লাকপা মীওই ৪দা থেংনখ্রে। সী দি সীনা হায়খিবগী মতুংইন্না ভেরিয়ন্ট অসি থোরকপসিনা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে। P.1 দসু E484K ম্যুটেসন য়াওই হায়রি। ব্রাজিলদা ইহান হানবা ওইনা P.2 অসি মীওই ১১দা থেংনরকপা মতমদসু মীপুম খুদিংমক পাখৎনখিবনি।

খ্বাইদগী নৌবা ওইনা L452R হায়না মিংথোনবা ভেরিয়ন্ট অমা কেলিফোর্নিয়াদা থেংনখ্রে। হৌজিকফাওবগী ওইনদি ভেরিয়ন্ট অসিগী মরমদা য়াম্না মমুৎ তানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

## ৱাঙু তম্ফা লাইরেম্বী চীংথক্তা লৈবা পি ঐচ ঈ দি ৱাটর সপ্লাই স্কিম চাদা ৮০ লোইশিনখ্রে



ককচীং, জন্যুৱারী ৩১ (ঐচএনএস): চহী তরাগী মমাঙদগী অফবা থক্লবা ঈশিং থকপা ফংদনা লৈরক্লবা শুগ্নু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা ৱাঙু গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ নম্বর ২, ৱার্দ নম্বর ৪ অমসুং ৱার্দ নম্বর ৭কী মীওই লিশীং হেনবগী অফবা থক্লবা ঈশিং পীনবগীদমক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হোৎনদুনা জল জিবন মিসন (জে জে এম) স্কিমগী মখাদা ৱাঙু তম্ফা লাইরেম্বী চীংথক্তা লৈবা ৱাঙু পি ঐচ ঈ দি ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী নৌনা শেমগৎ শগাৎলিবগী চাদা ৮০ লোইশিল্লকপগা লোয়ননা অথুবদা অফবা ঈশিং ফংহনবা ঙল্লগনি হায়রি।

ঙসি ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাঙু তম্ফা লাইরেম্বী চীংথক্তা লৈবা ৱাঙু পি ঐচ ঈ দি ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী শেমগৎ শাগৎলিবা অদু পাউমীশিংগা লোয়ননা ৱাঙু প্লেন এন্দ হিল দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী থৌমীশিংগা লোয়ননা পূন্না চৎমিন্নদুনা য়েংশিনখি।

খোঙচৎ অদুদা ৱাঙু প্লেন এন্দ হিল দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী সেক্রেটরি অমোম শাফবা মৈতৈনা ফোঙদোরকপদা খুঙ্গং অসিগী মীয়াম্না মতম শাংনা থক্লবা অফবা ঈশিং থকপা ফংদদুনা লাকখি। ঙসি পাল্লিবা মণিপুর লৈঙাক্কী সী এম, নোংথোম্বম বিরেননা মহাক্কী অশানবা, চীং তম, খুঙ্গং খায়দনা অফবা থক্লবা ঈশিং পীনবগীদমক পায়খৎলক্লিবা থবক্কী মনুং চন্না ৱাঙু লমদমগীদমক অফবা থক্লবা ঈশিং পীনবা স্কিম অসি শেমগৎতুনা থবক ওইনা উৎপীবদগী স্কিম অসিগী চাদা ৮০ লোইশিল্লকপদা লমদম অসিগী মীয়ামনা সী এম বিরেনবু থাগৎলি হায়খি।

ৱাঙুদগী কবোচন্দ্র কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা, চহী তরাগী মমাঙদগী অফবা ঈশিং থকপা ফংদনা লৈরক্লবা মীয়ামগীদমক সী এমনা হোৎনবীদুনা থবক ওইনা পায়খৎলকপা অসি য়াম্না হরাউজে। সী এম বিরেননা চহী তরাগী মমাঙদা সী এম ওইরম্লবদি খুল অসি নহান্না অফবা ঈশিং থকপা ফংলমগদবনি, স্কিম অসিগী ৱাৎহৌরিবা শরুক অসিসু অথুবা মতমদা লোইশিনবীনবসু মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

## লৌবুক্তা য়ূম শানবা হোৎনরম্বশিং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা লৈঙাক্লা মণিপুর কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদ্দি লেন্দ এন্দ ৱেট লেন্দ এক্ট ২০১৪গী মতুংইন্না মীয়ামগী চাথোক পুথোক্লিবা লৌবুকশিংদা য়ূম-কৈ শাজিনবা য়াদবগী অথিংবা লৈরিঙৈ চৈরক্তা ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লৌবুক খরদা এক্ট অসিগী ৱাংমদা লোন্না য়ূম শাজিন্নবা হোৎনরম্বা মীওই অনী, মখোয়না শীজিন্নরম্বা গাড়ী অমদি পোৎ চৈশিংগা কোন্ননা ফাগৎলে হায়রি।

হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন্দগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পিগী মীৎয়েং মখাদা চথখিবা দ্রাইভতা এদিসনেল এস পি (লো এন্দ ওর্দর), ইম্ফাল ইষ্টনা লুচিংলগা পুলিস ষ্টেসন অসিগী ওফিসর ইন চার্জ ইন্সপেক্টর পাথৌগী টিমনা চথরকখিবা দ্রাইভতা লৌবুক্তা য়ূম শাজিন্নবা হোৎনরম্বা মীওই অনী অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

এক্ট অসিগী অথিংবা থুগাইদুনা য়ূম শাজিন্নবা হোৎনরম্বগী মরালদা ফারবা মীওই অনী অদুগী মনুংদা অমনা লৈবাক তেমথোক-তেমশিন তৌবদা শীজিন্নরম্বা এক্সকাভেটরগী দ্রাইভর অমনি। অদুগা অতোপ্পা মীওই অমনা লৌফম অদুগী পাট্টাদার অমনি হায়রি।

মখোয়দগী ফাগৎখিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা এক্সাভেটর অমা, টাটা দিপর অমা, সিমেন্ট বেগ ৬৯, ৱা ১৫, উ ১৩, জেনরেটর সেট অমা, ঈশিং চিংনবা তুলু অচৌবা অমা অমসুং মচা অমা লোয়ননা ঈশিং চিংবদা শীজিন্ননবা পাইপ অমদি টর্পোলিন অমসুং দিজল হাপ্পবা বেরেলনচিংবনি হায়রি। ফাগৎলবা মীওইশিং অদু হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন্দা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

লোয়ননা পুলিস ষ্টেসন অসিগী মায়কৈদগী তৌরকখিবা আপিলদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মফমশিংদা লৈবা লৌবুকশিংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা য়ূম শাজিনবীগনু, শানবা হোৎনবীগনু অমসুং লৈঙাক্কী লৈরিবা এক্ট অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরকপশিংগী মথক্তা চথরকপা দ্রাইভতা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়রক্লি।

## গান-ঙাইবু লান্না উহনবীগনু

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১ (ঐচএনএস): চৎলিবা কুমজা অসিগী কবুই ফুরুপকী কুম্মৈ গান-ঙাইগী থৌরম পাঙথোকখিবগা মরী লৈননা 'কবুই ফুরুপকী গান-ঙাই' হায়না মীংথোনবা আর্টিকল অমদা তাবদা হঙ্গোইবা অমসুং তুজুংবা ৱাফম কয়া থেংনরে হায়রি।

ৱাফম অসি মহাবলি কবুই ভিলেজদা লৈবা কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট দি এল কবুইনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, করম্বা অমসুং কদাইদগী রিফরেন্স লৌরগা ইরিবনো খঙদবা আর্টিকল অসিদা ৱাহন্থোক লান্না চৎখিবা য়াবা ৱাফম কয়া য়াওই। থৌওং অসিদি কবুই ফুরুপকী গান-ঙাইদা অকায়বা ওইবদা নত্তনা ফুরুপ অসিবু করেম্ন বনি হায়না লৌই। মরম অসিনা অথুবা মতমদা শেংদোকপীয়ু হায়বগা লোয়ননা মমুৎ তানা খঙলগা অমদি য়াম্না চেকশিন্না নৈনরগা ইবা অমদি ফোঙবনা চুমগনি হায়রক্লি।

## 'গান্ধী-শিদহীদাকশিং'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১ (ঐচএনএস): লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম ঙরাং ককচীং চুম্নাংদা লৈবা মোদর্ন প্রোগ্রেসিভ একাদেমিগী মীপূন শঙদা মার্টিয়র্স দেগী থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা নৌরিবা মহৈরোয়শিংনা ইবা 'গান্ধী-শিদহীদাকশিং হায়না মীংথোনবা মণিপুরী এন্থোলোজিগী ৮শুবা এদিসন ফোঙদোকখ্রে।

মার্টিয়র্স দেগী থৌরম অসি ককচীংগী জুনিয়র সোসল সাইন্টিষ্ট হবনা টিমি হেলমেট, ককচীং ত্রেকরসকা খূৎশম্নদুনা মোদর্ন প্রোগ্রেসিভ একাদেমিনা শীনবনি। থৌরম অসিদা ক্লাইমেট এক্টিভিষ্ট সুরজিৎ ক্ষেত্রিময়ূমনা অথোইবা মীথুংলেন অমসুং গান্ধীয়ান সোসল এক্টিভিষ্ট নাওরেম অমুয়াইমনা থৌরম মপু ওইখি। থৌরম অসিগা ইরোয়ননা বিরমঙ্গল পুখ্রম্বমনা 'হে রাম : মহাত্মগী অরোইবা খোঙচৎকী অহানবা খোঙথাং' হায়বা হীরম অসিদা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

## পুরুম সদুগ্রামদা ফ্রী মেদিকেল কেম্প

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচএনএস): ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পুরুম সদুগ্রাম গোরখা ভিলেজদা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মেদিকেল কেম্প অসিদা মীওই ১০০ রোম লায়েংখিবগা লোয়ননা মখোয়গী ব্লদ প্রেসর, ব্লদ সুগর অমসুং ঈ সী জিনচিংবা টেষ্ট তৌখি। লেম্না লায়েংবগী কেম্প অসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মেদিকেল সেলগী কনভিনরসু ওইরিবা পার্টি অসিগী কিষান মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. ক্ষেত্রিময়ূম কলানা শীনবনি হায়রি।

## গ্রেনেদ থমজিল্লম্বগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১ (ঐচএনএস): মশক খঙহৌদ্রবা মীওইশিংনা থমজিল্লম্বদগী থা অসিগী ২৯গী নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুরাই থোইদিংজম লৈকায়দা লৈবা পি ঐচ ঈ দি, ককচীং দিভিজনগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র আর কে সুরচন্দ্রগী য়ূমগী থোঙ্গালদা লৈরমখিবা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অদুগী মায়োক্তা মসিবু থমজিল্লম্বশিংগী মফমদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়ামগী ৱাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে। ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদু ইমা থোইদিংজম লাইরেম্বীগী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবনি।

ইষ্টর্ন পোপ্যুলর ক্লব, খুরাই থোইদিংজম লৈকায়না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা পেন্দবা ফোঙদোকপগী ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট সলাম বিরেন্দ্রনা ফোঙদোরকখিবদা এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র আর কে সুরেন্দ্রগী য়ূমদা বোমগী লাং থাক্লক্লিবা অসি য়ানীংদে। থৌওং অসি করম্বা লূপনা চথরম্বনো হায়বদু মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। য়ূম কুংনা তারিবা মফম অসিদা বোম থমজিনবগী থবক মখা তানা তৌবীগনু অমসুং ঈংনা চিক্লা লৈরিবা লৈকায় অসিদা অকি অখং পোকহনবীগনু হায়খি।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা খুরাইগী কোওর্দিনেটিং বোদি অমদি লৈকায় অসিগী মৈরা পায়বীশিংনা অপূনবা নুপী লূপ, খুরাইগী মেম্বরশিংগা লোয়ননা শরুক য়াখি।

## য়ুনাইটেদ পাঙল সেন্টরনা টিচর অমসুং ষ্টুদেন্ট ওফ দি য়রগী মনা পীরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১ (ঐচএনএস): লিলোংদা হেদ ওফিস ওইরিবা য়ুনাইটেদ পাঙল (মুসলিম) কলচরেল সেন্টর (নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া) না অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈবা ষ্টেটশিংগী মীতৈ পাঙলশিংগী মরক্তগী খ্বাইদগী হেন্না ফবশিং খনগৎলগা পীবা মনা টিচর এন্দ ষ্টুদেন্ট ওফ দি য়রগী মনাশিং মথং থাদা লান্থোক্লগনি হায়রি।

ৱাফম অসি কলচরেল সেন্টর অসিগী ওর্গনাইজর বেঞ্জামিন এম শাহানা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি। কুমজা ২০১২দগী পীদুনা লাকপা মনা অসি মমাঙগী কুমজা ২০২০গী ওইনা ষ্টুদেন্ট ওফ দি য়রগী মনা এম য়ুনা লৌবা এল এল এম এগজামিনেসন্দা গোল্ড মেদল ফংখ্রবা ক্ষেত্রি অৱাং লৈকায়দগী উশমচা মোহম্মদ হফিজুর রহমনদা পীরগনি হায়রি। অদুগা টিচর ওফ দি য়রগী মনানা মতম শাংনা ওজাগী থৌ পুরক্তুনা শিনফম অসিদা কৎথোক্লবা শক্লাইরব এদ্যুকেসনিষ্ট এম এ অবদুস সলাম, লিলোং হাওরৈবী ময়ায় লৈকায়দা লৈবদা পীরগনি হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

### মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি


### মালেমগী চৎন-কাংলোন য়াম্না থুগায়বা লমশিংগী মনুংদা মণিপুরসু অমা শোয়দনা ওইগনি



কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং য়াম্না হন্থরক্লিবা অসি অফবা খুদম অমনি। থবক শুবা-নোম্বা য়ারমদবা অদু ঙসিদি থবক শুবা-নোম্বা য়ারকপদগী মীপুম খুদিংমক মাগী-মাগী শিনফমদা থবক তৌবা হৌরে। অদুবু লায়না-লাইচৎ অসি লমদম অসিদগী মপুং ফানা চৎখ্রবরা হায়বদুদি ওইদি। হান্না লৈরম্বা অথিংবা কয়া মথং-মথং লৌথোরক্তুনা মহৈলোয়শঙশিংসু হাংহন্দুনা ক্লাস তৌবসু হৌখ্রে। অদুবু অনাবা মীওইশিংনা হোস্পিটালদা চৎতুনা লায়েংনবগী থবক থৌরমশিংদা ঙসিসু অদুমক মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকপা ঙমদনা লৈরি। ইরমদম অসিদা অখঙ-অহৈ য়াম্না লৈবগীরা খঙদে তশেংনমক চৎন-কাংলোন য়াম্না থুগায়বা লমদম অমা হায়বদু ওইরি। মালেমগী চাওখৎপা ৱাৎলিবা লমদম কয়াদা চৎন-কাংলোন কয়া থুগায়দুনা অঙম-অঙম্বা মীওইনা হিংনবগুম লমদম অসিদসু হিংনরি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং হন্থখ্রবসু ঐখোয় পুম্নমক চেকশিন্না লৈবদি মথৌ তারি। অখঙ-অহৈশিংগী মতুংইন্না লাইচৎ অসি মখা তানা অদুমক চহী খরদি লৈখিগনি হায়রিবনি। মরুওইনা হৌজিক স্কুল কাবা হৌনরক্লবনিনা মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংদা চেকশিন ৱাহৈ কয়া হায়দুনা কুপ্পা শেন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না খল্লি।

□ প্রেমচন্দ্র লৈতাম, খুরাই কোংপাল নিংথৌবুং লৈকায়

### লমদম অসিদা নুপীগী মথক্তা তাহে-উহেদবা ক্রাইম কয়া চৎথরকপা লাইবক থিবনি



নুপীগী মথক্তা চৎথবা ক্রাইমশিং অসি মপান লমদনা অয়াম্বা থোকই হায়না লমদম অসিদা খন্নরম্মি। অদুবু অদুগুম্বা তাহৈদবা-উহৈদবা নুপীগী মথক্তা চৎথবা ক্রাইমশিং অদু হৌখিবা চহী খরা অসিগী মনুংদা য়াম্না তোয়না থোক্লক্লি। মণিপুরী হায়বা কাংলুপ অসি নুপীশিংবু য়াম্না অৱাংবা থাক্তা থম্বা কাংলুপ অমনি হায়না খঙনরম্মী। ওর্গনাইজেসন কয়ানসু নুপীবু ইকায়খুম্নগদবনি হায়না লেপ্পা লৈতনা লাউরি। অদুবু নুপীশিংদা চৎথবা মীওৎ মীনৈ কয়াগী থৌদোক-ৱাথোকশিংদি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। মরম অদুনা লমদম অসিগী মমা-মপা ওইবশিংনা চহী খরা অসিদা নুপীগী মথক্তা চৎথরক্লিবা ক্রাইমশিং হেনগৎলক্লিবা অসি য়েংলগা মচা ওইবিবিশিংবু য়াম্না চেকশিন্না শেন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে। হৌগৎলক্লিবা নুপামচাশিং অমদি নুপীমচাশিং য়াওনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবগী চাংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। মসিমক লমদম অসিদা ক্রাইম থোরক্লবগী অচৌবা মচাক অমনি। মমা-মপা ওইবশিংনা মচানুপীদা চৈ ঙাঙদুনা ৱারকপগুম নুপামচাশিংদসু নুপীবু ইকায়খুম্নগদবনি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া তাকপী তম্বিবা কাউবিরগনু।

□ ওইনাম কুঞ্জকেশ্বর, লাংজিং অচৌবা

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০১।০২।২০২১ ইং, নিংথৌকাবা; ৱাকচিংগী ১৯ নি পানবা।

মেষ : মতাং চাদনা থৌনা ফুদোক্কনু অমদি খোইরাংগনু। ঙাঙবা হৈগনি, ওইজবা ফংগনি, নীংবদুমক পাংবসু য়াগনি অমদি অরং অরাক ফংবৈ নুংঙাইবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : পল্লম্বা শেল-থুম ফংবা অমদি লৌশিং মরাং কাইনা তানশিনবা য়াবা নুমিৎনি। অচুম্বা চৎপনা লাই-গুরুনসু চানবীগনি। মীতোপ লোয়নদবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাংতক্লগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: মীগী থৌইনসিন্না কাইনবা নংবগী নুংঙাইতবা লৈগনি। পংশিন্নবনা শাফবা হেনগনি। অৱাবা খরা থেংনরবসু শেল-থুম চংগনি অমদি মীয়াম্না য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কর্কট : নাপল থাদোক্তরদি পামদবা নংগনি অমদি নাইতোম ৱারেপ লৌগনু। লৈঙাক্কী লম্দা পাঙ্গল ফুদোকপা ৱাগনি। শেন্দোং ফংবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

সিংহ : পোরম য়াৎপদা অমদি ৱা ঙাঙবদা অখঙ অহৈ তানগদবা নুমিৎনি। মরুপ মপাং অমদি অঙম্বগী মতেং ফংজৌ হায়বা লৈ। য়েৎনবদা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চিন কনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা/কিসমিস।

কন্যা : হরাওবা নুংঙাইবা, ৱাখল থোকপা অমদি ইমুং মনুংগী ৱা তাবনা মায় হেন্না পাকচবা লৈ । অফবা মরুপ ফংগনি। হুরানবনদি অঙম্বদা ৱাথৈশল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : অকাউবনা মাঙবা য়াবা লৈ অমদি ঈংথদ্রদি মরুপ মপাং কাইনগনি। খরসু কথোকপা অমদি মীয়াম লোয়নবনা অচৌবা মায় পাকচৌ হায়বা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : ৱাখল থোকপা অমদি ইচং থৌবনা কান্নবা ফংজবা নুমিৎনি। লাইবকসু য়াম্না ফগনি। মীচংতা নত্তনা শেন্দোং তানবা থবক্তা থোইনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল য়াম্না নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

ধনু : ঙাঙ-শকপদা মীনা তানীংগনি অমদি নীংবদুমক্লা থবক পাংবদা মায় শোয়দনা পাক্কনি। য়েৎনবা য়াবা মরমদৈ চেকশিল্লু অমদি মরুপ পাংদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাংতক্লগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর : মহু চাওবনা য়েংথি অমদি চরাংনরদি নথক থোংবনা তাথিবীগনি। নচা ননাইগী লম্দদি নুংঙাই, মীয়ামগা মরী ফৈ অমদি লৈতেং ফংবগী নুংঙাইজে।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাংনরবদি মীপাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : নোল্লুকপা অমদি মীয়াম্না য়ানবা চৎপনা কান্নবা মাঙবা য়াবা কয়াদগী কঞ্জগনি। পূক্লিং ফাথৌ মাঙগদৌ শরুক লাই-গুরুগী পাউতাক লৌ। পংথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না অশা চাওদবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : নীংবা থুংগনি, নচ-ননাই চাওখৎপা অমদি থৌরম শিন্দোকপা হৈবনা অফবা মিংচৎ ফংজবা লৈগনি। মরুপ মপাংগী মতেং ফংজগনি-য়াইফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।